## ইমর্জেন্সি লেন্দিংদা মীওই ৪ শিরে

মোস্কো, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
মীওই ১৪ তোঙদুনা পাইখিবা অপিকপা রসিয়ন পেসেঞ্জর প্লেন অমা সাইবেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা তঙাইফদনা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবগী থৌদোক অমদা মীওই ৪ শিরে হায়না ইমর্জেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

ইনভেষ্টিগেটিভ কম্মিটি লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা এল-৪১০ এয়রক্রাফট অদু ইরকষ্ট সিটিদগী পাইখিবনি। প্লেন অদু কজাচিনকোয়ি ভিলেজদা লেন্দিং তৌগদবনি। অদুমওইমক মফম অদু য়ৌগদবা কিলোমিটর ৪ লোম ৱাৎলিঙৈদা টেক্নিকেল প্রোব্লেম অমনা মরম ওইরগা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবনি।

প্লেন অদুদা তোঙখিবা ক্রু মেম্বরশিং য়াওনা মীওই ১১ দি তেক্তা কায়দনা রেস্কু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রে। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবা অদুদা লৈমায়দা অপিকপা প্লেন অদু য়েশিনখিবগী খুদম ফংই। কন্না য়েশিনখিবনা মরম ওইরগা প্লেন অদুদা তোঙখিবা মীওই ৪ শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

## ক্লাইমেট চেঞ্জনা অকনবা চৈথেং পীরি

জেনেভা, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
মালেমদা হৌজিক হৌজিক অকনবা মওংদা চৈথেং পীরক্লিবা অসি পোল্যুসন অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জননি হায়না য়ু এন রাইটস চীফনা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে হায়রি। য়ু এন রাইটস চীফ মিচেলি বেসলেটনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি চহী দিকেদ খরগী মতুংদা মালেম অসি ঈরোলনুংদা লুপখিবা য়াই।

# ওং সাং সু চিগী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী মহাক্কী ত্রায়েল য়েথোকখ্রে



য়াঙোন, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার মিলিটরিনা কু তৌদুনা নম্ফুদা মফমদগী লৌথোকখ্রবা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী মহাক্কী মথক্তা মিলিটরিনা চার্জ তৌরিবা মরালশিং অদুগা মরী লৈননা চত্থগনি হায়না তৌরম্বা ত্রায়েল মতম খরগী ওইনা য়েথোকখ্রে হায়না মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবী সু চিগী লোয়র অমনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৭৬ লোম শুরবী ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী অসিবু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা মিলিটরিনা করপসন অমদি মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা অরানবা কয়া তৌখি হায়বগী মরালদা চার্জ কয়া তৌরি। মিলিটরিনা তৌরিবা চার্জ অসি করিগুম্বা অচুম্বনি হায়না প্রুভ তৌবা ঙম্লবদি লুচিংবী নুপী অসি চহী কয়া জেলদা লৈরবা য়ানা লৈ।

মিলিটরিনা কু তৌদুনা লৈবাক অদুদা জুন্টা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ম্যান্মার মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সকী কা হেনবা থবক থৌওংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমদি ফাজিন্দুনা থল্লিবা লুচিংবী অদু থাদোক্ল বগীদমক লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিল্লি। ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি মীয়ামগা মুক্নবগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,০০০ গী মথক্তা শিখ্রে। অদুগা মীওই ৬,০০০ হেন্না মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থমখি।

অমরোমদা সু চিগী লোয়র মিন মিন সোনা ফোঙদোরকখিবদা মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবী ওং সাং সু চিগী হকচাংগী ফীভ মশোকচিল্লক্লে। হৌখিবা থা ২ রোম অসিদা মহাক ময়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈরি। মিলিটরিনা মঙোন্দা তৌরিবা চার্জশিংগী মনুংদা নুপী লুচিংবী অসিনা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা কোরোনা ভাইরসকী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎখিদে অমদি লোনা য়াদবা মওংদা ৱাল্কি টৌক্কি ইম্পোর্ট তৌখি হায়বা ৱাফম য়াওরি। নুপী লুচিংবী অসি অফবা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চত্থবা মথৌ তারেসু হায়রি।

# খূৎলাই পায়বশিংনা নাইজেরিয়া জেলদা এটেক চত্থদুনা মীওই ২৪০ নাম্থোকহনখ্রে



অবুজা, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
নাইজেরিয়াগী সাউথ সেন্ট্রেলদা লৈবা জেল অমদা খূৎশু শুৎলাই মতিক চানা পায়বা মীওই খরনা এটেক চত্থদুনা জেল অদুদা লৈরম্বা মীওই ২৪০ নাম্থোকহনখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা অফবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা কোগি ষ্টেটকী মনুং চনবা কাবাদা লৈবা জেলদা এটেক অদু চত্থখিবনি। হায়রিবা মফম অসি নাইজেরিয়াগী কোনুং অবুজাদগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা চৎলগা লৈবা মফম অমনি। কাবাদা লৈরিবা জেল অদুদা সিক্যুরিটি কা হেন্না মশীং য়াম্না দিপ্লোয় তৌদবগী খুদোংচাবা লৌরগা খূৎলাই পায়বশিং অদুনা নুমিদাংগী মতমদা এটেক চত্থদুনা জেল অদুদা লৈরম্বা ফাদোক কয়া নাম্থোকহনখিবনি।

এটেক অদু করম্বা গ্রুপনা চত্থখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক সেন্ট্রেল অমসুং নোর্থ ৱেষ্ট নাইজেরিয়াদা চহী কয়াগী মমাংদগী ক্রিমিনেল গেং কয়ানা তৌনিংবদা তৌদুনা লাক্লি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক নাইজেরিয়া গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা টিম অমা শেমখ্রে। টিম অসি নাইজেরিয়াগী কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ করেক্সন হলিরু নাবাবানা লুচিংগনি।

হলিরুনা লুচিংবা অখন্নবা টিম অসিদা লৈঙাক্না অহেনবা পৱার কয়া পীখিবগা লোয়ননা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা জেল ফাদোকশিং অথুবা মতমদা ফানবা খঙহনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবসু খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হলিরুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম অসিনা চত্থরকপা থবক থৌরমশিংদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মতেং পাংলবদি মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাবা ঙমগনি। জেল অদুদা পুন্না ফাদোক ২৯৪ লৈবনি। মদুগী মনুংদা ২২৪ ত্রায়ল চত্থরিবনি। অদুগা ৭০ না কনভিক পীখিবা ঙাক্তনি। জেল অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা শাখিবনি। জেল অসিগী অশেংবা কেপাসিটিদি মীওই ২০০ নি। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্নদি ঙরাংগী এটেক অদু সেন্ট্রেল অমসুং নোর্থ ৱেষ্ট নাইজেরিয়াদা খূৎলিংদুনা লৈরিবা দ্রগ কার্টেলশিংনা চত্থখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## অফঘানিষ্টানদা রাইটস এক্টিভিষ্টশিং ওৎ নৈবগী থবক পাক শন্না চত্থরি

কাবুল, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী লৈঙাক অমুক হল্লকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা রাইটস এক্টিভিষ্ট অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা টালিবাননা ওৎ নৈবগী থবক পাক শন্না চত্থবগা লোয়ননা মখোয়গী মায়োক্তা লাকপা খুদিংমক হাৎকনি হায়না কিহনবগী থবক থৌওংশিং পাক শন্না চত্থরি হায়না হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট হাবিবুলা ফরজাদনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কাবুলদা নুপীশিংনা চত্থখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়ারুবগীদমক রাইটস এক্টিভিষ্ট হাবিবুলাবু টালিবাননা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং য়াম্না তমথিনা ওৎ নৈরবা মতুং অমুক হন্না থাদোরকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হবিবুলানা ফোঙদোরকখিবদা নুমিৎ অদুদা টালিবানশিংনা মহাকপু ফারবা মতুং মহাক্কী মখুৎ অনী তুংলোমদা পুনখি অদুগা মঙোন্দা ফুবা হৌরকখি। অকন্নবা চৈফু অমনা মকোক্তা য়েরকপদগী মহাক জ্ঞান মাঙদুনা তাখি। পুং ১ রোম লৈরগা মহাক জ্ঞান তারকখি। মখোয়না মহাকপু অতোপ্পা কা অমদা অমুক পুদুনা চৎখি। হায়রিব কা অদুদা জর্নেলিষ্ট কয়া য়াওনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং টালিবাননা ফাজিন্দুনা ওৎ নৈবগী থবক চত্থহৌরি হায়না পাউদমক্লি।

## অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপদগী স্কুল অমদি ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

শংহাই, সেপ্তেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
শংহাই অমদি মসিগা থংননা লৈরিবা কোষ্টেল রিজনশিং চানথু হায়না মিংথোনবা অকনবা টাইফুন অমা লাকপদগী মফম অদুদা লৈরিবা স্কুলশিং, সব-ৱেশিং, ত্রেন সার্ভিস অমদি ফ্লাইট সার্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুঙদা কিলোমিটর ১৭০ রোম য়াঙনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাও কয়া তৌবা হৌরকখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা টাইফুন চাইথুগী মপাঙ্গল খরা শোন্থনা মীয়াম্না উন্নখি। অদুমওইনমক খঙহৌদনা কনখৎলকপদগী তঙাইফদনা স্কুলশিং য়াওনা ফ্লাইট সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখিবনি। শংহাই মনাক্তা লৈরিবা জেজিয়াং প্রোভিন্সতা অকনবা চৈফু পীরবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মরম চাদনা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনবা ওথোরিটিশিংনা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্স অসিগী মনুং চনবা দিষ্ট্রিক্ট ৯ দা রেদ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

### OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 13th September, 2021

**খঙহঞ্জবা**

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী 2nd Phase কী ওইনা Scheme অসিগী খূদোংচাবা লৌবীনিংবশিংনা Application Form পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম অসি প্রজা মীয়ামগী য়েংলগা লাক্লিবা September 18 ফাওবা শাংদোক্লে। মরম অসিনা Form পীশিনবা নংহৌদ্রবা অমদি চিথ নাম্থহৌবশিংনা Scheme অসিগী খূদোংচাবা লৌবীহৌনবগীদমক অমুক্তসু হন্না খঙহঞ্জরি।

**Form পীশিনবা মতমদা শোয়দনা য়াওরক্কদবা documents শিং :**
1) Applicant গী Latest Aadhaar Photo Copy
2) Family Member শিংগী Latest Aadhaar
3) Applicant গী Bank Pass Book Photo Copy
4) Jamabandi / Patta Photo Copy (Applicant গী মিংদা লৈবা ওইগদবনি)
5) Valid Phone number
6) Income Certificate (Self certified)

**N.B. Form** পীশিনবা মতমদা **Applicant** মশা য়াওরক্কদবনি।

খঙহঞ্জরিবা : **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner, Imphal Municipal Corporation
HL-B/7152/14, 15

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 188/AS & SO III Date 10/9/2021**
Oinam Chandramukhi Devi W/o. Late Oinam Haimo Singh of Wangkhei Angom Leikai - Petitioner
-VS-
Late Oinam Haimo Singh S/o Late Nandi Singh of Wangkhei Angom Leikai - O.P

**/ NOTICE**
Imphal 13/9/2021

Under Section 46(3) of M.L.R & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26 (A)-Nongpok Ingkhol পাট্টা নং ৩১৫ অরিবা, ৮৬ অনৌবা, দাগ নং ১১৩ এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Oinam Haimo Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
III Manipur
HL-P/0035/14

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 189/AS & SO III Date 10/9/2021**
Phaltual Paubiak Vaiphei S/o. Late Tualkholam Vaiphei of Luwangsangbam Awang Leikai - Petitioner
-VS-
Late Tualkholam Vaiphei S/o. Late Shyakam Vaiphei of Luwangsangbam Awang Leikai - O.P

**/ NOTICE**
Imphal 13/9/2021

Under Section 46(3) of M.L.R & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং ২১৪, ২২৭ অং অরিবা, ৩০৪ অনৌবা, দাগ নং ১০৪৩ এরিয়া ০.০৮৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Tualkholam Vaiphei মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
III Manipur
HL-P/0035/14

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mut. Case No. 46 of 2021**
(1) Maibam Shantibala Devi W/o. Ningthoujam Raghumani Singh of Heirangoithong Kha Maibam Leikai
(2) Maibam Debala Devi W/o. P. Sarat of Sagolband Meino Leirak
(3) Maibam (N) Nongmaithem (O) Sanatombi Devi W/o. Rameshwor Singh of Moirangkampu Sajib Makha Leikai
(4) Maibam Milan S/o. (L) Tamar Singh of Chingamakha Irom Leikai - Petitioners
-VS-
(1) (L) Irom (N) Maibam (O) Chaobihal Devi W/o. Tamar Singh of Chingamakha Irom Leikai
(2) (L) Maibam Tamar Singh S/o. (L) Narayan Singh of -do- - O.P(s)

**/ NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 13/9/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং 76-Langthabal পাট্টা নং ৭৬/১৩৪ (অরিবা), ৩৩ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... অরিবা, ৯ (অনৌবা) গী এরিয়া ২.২১ একর/হেক্টর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/PATTADAR অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা COURT অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/৯/২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা COURT অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/OBJECTION তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা COURT কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/0036/14

**NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)**
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams
BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL & GENERAL COURSES ETC.
MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.
FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023
FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE: ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334
CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in
HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.

**** ADMISSIONS OPEN ****
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES.
COURSES OFFERED:

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

### BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

**/ NOTIFICATION**

Imphal, the 13th September, 2021

No. Ex/62/71(vol-1)pt/112 : It is hereby notified for information of all concerned that the High School Leaving Certificate Improvement Examination, 2021 will be held w.e.f. the 27th September, 2021. The Examination programme is given below:

**PROGRAMME**

Time : (I) 3 hours for 80 marks.
(ii) 2 hours for 48 marks.

| Date & Day | Morning From 9 a.m. To 12 noon |
|---|---|
| 27-09-2021 (Monday) | ENGLISH |
| 29-09-2021 (Wednesday) | First Language: Manipuri (MM); Subject in Lieu of First Language: Additional English |
| 01-10-2021 (Friday) | SCIENCE |
| 04-10-2021 (Monday) | MATHEMATICS |
| 06-10-2021 (Wednesday) | SOCIAL SCIENCE |
| 08-10-2021 (Friday) | Optional Subject: Home Science |

The Centre/Venue of the said examination will be in the Conference Hall of the Board of Secondary Education, Manipur.

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary
HL-P/0038/14

**INSTITUTE OF COOPERATIVE MANAGEMENT, IMPHAL**
**COOPERATIVE COMPLEX, LAMPHELPAT**
(An Institution of NCCT, New Delhi, An autonomous Society promoted by Ministry of Agriculture & Farmers Welfare, Govt. of India)
ADMISSION NOTICE
CCCA
6th months Certificate Course on Computer Application
w.e.f. 1) 20th September 2021 to 19th March 2022
Timing: 10:30 AM to 12:30 PM
2) 29th September 2021 to 28th March 2022
Timing: 7:30 AM to 9:30 AM
Duration : 6th Months
Admission Fee : Rs. 9440/-( Inclusive of 18% GST)
Intake capacity : 25 each
PGDCA - Post Graduate Diploma in Computer Application (Affiliated to MANIPUR UNIVERSITY, CANCHIPUR)
Duration - 1 year
Intake capacity : 45
For Further details, Please Contact:
Piyainu Thounaojam, Computer Faculty (7005263688)
Khoichung Rangamlian, Programme Coordinator (8119893018)
Sd/-
K. Joychandra Singh
Director,i/c
ICM, Imphal
HL-P/0024/14

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7118/1/9-1/10

YAIPHARE GROUP OF FINANCE
CHINGMEIRONG, IMPHAL EAST
NEAR SUZUKI NEXA
অথুবদা লোন পীজরি ঙসিমক লেংশিনবীরকউ।
➢ Only Govt. Employee, State Govt., Civil Employee only
N.B. : 12%, 13% & 14% - Central Active Service & Civil Service only.
➢ Business Loan : Licence, Current A/C - one year.
Please Contact during office hour :
# 7629922092
# 7005862472
# 9362323364
Sd/- Manager
HL-P/6907/8-14